# প্রসিদেন্ট মাহমৌদ অব্বাসনা লোয়েলিষ্ট শাতায়েহবু পেলেষ্টাইনগী প্রাইম মিষ্টের হাপখ্রে



রমালাহ, মর্চ ১১(এজেন্সি):

ব্রেষ্ট বেঙ্ককী মরু ওইবা ফাটাহ পার্টিগী মেম্বর অমা ওইরিবা ইকনমিষ্ট মোহম্মদ শাতায়েহবু নোংমাইজিং নুমিত্তা প্রসিদেন্ট মহমৌদ অব্বাসনা পেলেষ্টাইনগী প্রাইমি মিনিষ্টর হাপখ্রে।

অমরোমদা, গাজা ঙাক শেল্লিবা রাইভেল হামাজ গ্রুপনা খোঙথাং অদুনা লমদমদুদা য়ুনিটি পুরক্লবা হোৎনবদা খুরৌ থাংহল্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

রমি অল-হমদাল্লাহনা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম থাদোকখ্রবা মতুং চয়োল তরুক কান্নরগা শাতায়েবু ফম অসিগীদমক খনখিবনি। অল-হমদাল্লাহনা মফম থাদোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী য়ুনিটি গভর্নমেন্টসু রিজাইন তৌখি অমদি হমাস অমসুং ফটাহগী মরক্তা পব্রার সিয়ারিংগী দিল অমা থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনরম্বদু ফেল ওইখি।

পেলেষ্টাইন টেলিভিজন্দা ৱা ঙাঙলদুনা শতায়েনা হায়খি, অনৌবা কেবিনেট অমা শেম্বগী মতাংদা মহাক্ন া অব্বাসনা লুচিংলিবা পেলেষ্টাইন লিবরেসন ওর্গনাইজেসনগী ফেক্সনশিংগা খুদক্তা ৱা তান্নবা হৌরগনি। কুমজা ২০07 দা গজাবু ফটাহনা কন্ত্রোল তৌরম্বদগী পায়শিন দুনা লাকখিবা হমাস অসি পী এল ওগী মেম্বর অমদি ওইদে। ইস্লামিষ্ট গ্রুপ অসিগী সিনিয়র ওফিসল অমা ওইরিবা ইসমাইল রুদৱাননা ফোঙদোকখিবদা ‘সেপরেটিষ্ট লৈঙাক অমা শেম্বা তারবদি পেলেষ্টাইনশিংগী মরক্তা নাকপাক তান্নবগী ফিভম অমা লৈরিবদু মখা তানা শাংথহল্লগনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৭ গী নবেম্বরদা হমাস অমসুং ফটাহগী মরক্তা খুৎয়েক পীনখিবা শংদাই-নবগী দিল অমনা ব্রেষ্ট বেঙ্কতা বেজ তৌবা অব্বাসকী পেলেষ্টিনিয়ন ওথোরিটি (পি এ)দা গজা লৈঙাক পায়বা হৌবা অমদি ইজিপ অমসুং ইজরেলগা এনক্লেভ অদুগা ফাওনফম ওইরিবা পোইন্টশিং কন্ত্রোল তৌবা য়াহনখি। অদুম ওইনমক এগ্রীমেন্ট অদু করম্না থবক্তা ওন্থোক্কদগে হায়বগী মতাংদা য়াম্না থুনা য়েৎনবা লাকখি।

অতোপ্পা মরু ওইবা য়ান্নবা ঙমখিদবা পোইন্ট অমদি কুমজা ১৯৬৭কী মিদল ইষ্টকী লানদগী ব্রেষ্ট বেঙ্ক খুদুম চন্দুনা লাকখিবা ইজরেলগা মরী লৈনবা পোলিসিগী মতাংদনি। ইজরেলনা ব্রেষ্ট বেঙ্ক পায়শিনখ্রবা মতুংদা গজাগী বোর্দরশিং চেকশিন্না কন্ত্রোল তৌখিবনি।

নৌনা প্রাইম মিনিষ্টর হাপ্লবা শতায়েনা মায়োক্লরিবা মরু ওইবা অচৌবা শিংনবা অমদি শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্লরিবা পি এগী ফিভম ফগৎহন্নবা থবক পায়খৎপগী ৱাফমনি। ইজরেলগা খুৎয়েক পীনখিবা ইন্টরিম পিছ একোর্দসকী মখাদা পি এনা গজাদা পনখৈ অমগী মনুংদা সেলফ রুলস চত্থদুনা লৈরি।

য়ু এসনা হান্না পীরম্বা মতেং কয়া ককখিবদগী পি এনা শেল-থুমগী অৱাবা নংলকখিবদু ইজরেলগা মুক্ন বা অমদগী থাগী ওইবা টেক্স রেভিন্যুশিংদি চাদা ৫গী চাং ফাজিনখিবদগী হেন্না অৱাবা ওইরকখি। ইকনমিষ্ট অমা ওইরিবা অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর শতায়ে অসি রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্টকা মরী লৈনা পেলেষ্টানিয়ন ইকনমিক কাওন্সিলগী মকোক চিংদুনা টেক্নো-ক্রেট অমনি হায়না লৌনরি। কাওন্সিল অসি কুমজা ১৯৯৩ দা পি এল ওনা লিংখৎখিবা দোনর কোওর্দিনেসন অমসুং এদভোকেসি বোদি অমনি।

# টালিবানগী লুচিংবা মুল্লাহ ওমার অফঘানিষ্টানদা য়ু এস আর্মিগী বেজশিংগা নক্লনা লৈখি : রিপোর্ট

ৱাশিংটন, মর্চ ১১(এজেন্সি):

টালিবানগী মুল্লাহ ওমার হায়রগা হেন্না খঙনখিবা গ্রুপ অসিগী ফাওন্দর মুল্লাহ মোহম্মদ ওমার মতম অমদা য়ু এস আর্মিগী বেজশিংগী মনাক নক্লা অরোনবা কা অমদা লৈরম্মী। অদুবু অমেরিকান ট্রুপশিংনা মহাকপু কোইথি থিবদা ফংবা ঙমখিদে হায়না অনৌবা লাইরিক অমনা ক্লেম তৌখ্রে।

য়ু এস ইন্টলিজেন্সনা মায়থি-খিবগী মতাংদা মীৎয়েং থমদুনা ইবা লাইরিক অদুগী মতুং ইন্না টালিবানগী লুচিংবা মুল্লাহ ওমার অফঘানিষ্টানদা লৈবা য়ু এসকী বেজশিংদগী খোঙনা চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়াবা পংলাপ লাপ্তবা মফম অমদা অরোনবা কা অমদা লৈখি। গার্দিয়ন অমসুং ৱাল ষ্টিট জর্নেলদা ফোঙবা লাইরিক্তুগী ফাইন্দিংশিংদা হায়রি মদুদি, অমেরিকান ট্রুপশিংনা মতম অমদা মহাক্ন া লোৎলিবা য়ুমদুমক্তদা অমুক্তি থি-হুম্বা ফাওবা চত্থখি। তৌইগুম্বসুং মখোয়না মহাক্কী লোৎফম ওইরিবা অরোনবা কা অদুদি ফংবা ঙমখিদে। ৯/১১গী টেরর এটেক্ট মতুংদা ওমারবু ফাবা নৎত্রগা ফানবগী পাউ পীবা ঙম্বদা শেল ওইনা দোল্লর মিলিয়ন ১০ মনা পীরগনি হায়না য়ু এস লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লাউথোকখিবা লৈখি। অল-কাইদাগী লুচিংবা ওসমা বিল লাদ্দেনগা মান্ননা ওমারসু পাকিষ্টানদা লোত্তুনা লৈরি হায়না মতমদুদা য়ু এসনা থাজখি।





ফাইন্দিংশিং অদু কুমজা ২০০৬ তগী অফঘান লানগী মতাংদা লৈবাক অদুদগী রিপোর্ট তৌদুনা লাকখিবা দটচ জর্নেলিষ্ট বেটে দামনা ইখিবা লাইরিক অমগী শরুক অমনি। মহাক্ন া চহী ৫ হেন্না থিজিন-হুমজিল্লবা মতুংদা ‘সর্চিং ফোর এন এনিমি’ হায়বা বাইওগ্রাফি অসি ইখি অমসুং হৌখিবা থাদা দটচ লোন্দা ফোঙখি। নৌনা লোঞ্চ তৌখিবা জোমিয়া থিঙ্কটেঙ্কনা লাইরিক অদুগী সম্মরি ইংলিস লোন্দা ফোঙখি।

রিপোর্ট অদুদা কুমজা ২০০১ গী মতুংদা ওমারগী বোদিগার্দ ওইনা থবক তৌখিবা জব্বর ওমারি কৌবা মীওই অমগী ৱারোল পল্লি। অহানবদা চহী খরদি ওমারনা রিজনেল কেপিটেল কলাৎতা লৈখি হায়রি। মফম অদু কোন্না য়ু এসগী মরু ওইবা বেজ লেগমেন থল্লকখিবা অফগান গভর্নরগী কম্পাওন্দগী খোঙনা চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়াবা মফমগী চাংদা পংলাপ লাপ্তনা লৈ। মুল্লাহ ওমারনা লৈরিবদু ওমারিগী হান্নগী দ্রাইভর অমগী ময়ুমদনি হায়না রিপোর্ট অদুদা পল্লি। মদু শুমাং অমা য়াওবা লৈবাক্কী য়ুম মচা অমনি। অৱাংবা ৱালনা খনজিনবা পীক্লবা য়ুম অসিগী মনুংদা এলসেফকী বিল্ডিংগী কোর্নর অমদা অরোনবা কা অমা লৈখি। অরোনবা কা অসিগী চঙফম থোঙ অদু ৱালদা নপ্পা ৱাংনা শাবা কপবোর্দ মানবা অমগী মরুমদা লোত্তুনা থম্বগী মওং ওইখি।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না য়ু এস ফোর্সশিংনা ওমারবু অনীরক হন্না ফাবা য়াবগী ফিভম লৈখি। অমুক্না ওমারনা য়ুমদগী শুমাংদা লৈরিঙৈদা য়ুমদুগী মীওইশিংনা য়ু এসকী লান্মীশিং মনাক নক্লা লৈবা উখি। মতমদুদা ওমারনা শিং মপৈ অমগী মরুমদা চঙশিল্লগা লোৎখি। য়ু এস লান্মীশিং অদু শুমাংদুদা চঙলমদনা চৎখিবদগী টালিবানগী লুচিংবা অসি নাম্থোকহৌখি।

অনীশুবা থৌদোক্লা য়ু এসকী ট্রুপশিংনা য়ুমদুদা থিবা-হুম্বা চত্থখিবা মতমদনি। গ্রুপশিং অদু ওমারনা লৈরিবা অরোনবা কাগী থোঙ অদু ফংবা ঙমদনা মফম অদু থাদোক্লগা চৎখি।

# ইনর্জি সেক্তরদা মিসমেনেজমেন্ট লৈ হায়বা হান্নগী প্রসিদেন্টগী ৱাফম ইরানগী ওইল মিনিষ্ট্রিনা য়াখিদ্রে

লন্দন, মর্চ ১১(এজেন্সি):

য়ু এসনা অথিংবা কয়া থম্বদগী খুদোংচাদবা কয়া লৈরবসু ইরাননা থাও য়োনবদগী রেভিন্যু মরাং কায়না লাক্লি হায়না ইরান ওইল মিনিষ্ট্রিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ইনর্জি সেক্তরদা লৈঙাক্কী মিসমেনেজমেন্ট লৈ হায়না লৈবাক অদুগী হান্নগী প্রসিদেন্ট মহমৌদ অহমদিনেজাদনা লৈঙাক্তা মরাল শীরকখিবগী পাউখুম ওইনা ওইল মিনিষ্ট্রিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

শারগহ দেলি পাউচেগী নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা হান্নগী প্রসিদেন্ট মহহৌদ অহমদিনেজাদনা হায়খি, হৌজিক লৈরিবা প্রসিদেন্ট হসন রৌহানিগী লৈঙাক্না হৌখিবা চহী ৫ অসিদা থাও য়োনখিবগী রেভিন্যু ওইনা দোল্লর বিলিয়ন ৩০ লৌখৎপা ঙমখিদে। মমাঙগী প্রসিদেন্টনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফমশিং অদু অচুম্বা অমত্তা য়াওদে হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা পীখিবা পাউখুমগী ৱারোল অমা ন্যুজ এজেন্সি শানানা ফোঙখিবনি। থাও য়োনবদগী লাকপা রেভিন্যুশিং মতম চানা ফংখি অমসুং লৈবাক অসিগী লিগেল বেঙ্ক একাওন্টশিংদা ট্রান্সফর তৌখি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিগী ষ্টেটমেন্টনা ফোঙদোকখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইরানগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামগা মরী লৈননবা ইন্টরনেসনল ন্যুক্লিয়র দিল অমদগী ৱিথদ্রো তৌখিবদগী ইরান্না য়ু এসকী অনৌবা অথিংবশিং মায়োক্লরক্লি। একোর্দ অদু ইরানদা কা হেন্না ফদোকপগী মওংদা লৈ অমসুং মদুনা ইরানগী বলিষ্টিক মিসাইল চায়েং লাকশিনবা ঙমদে অমদি লৈবাক অদুনা রিজনেল



কনফ্লিক্টশিংদা চেন্নরিবা অদুসু লাকশিনবা ঙমদে হায়রদুনা য়ুনাটেদ ষ্টেটসনা ইন্টরনেসনল ন্যুক্লিয়র দিল অদুদগী হন্দোকখিবনি।

অহমদিনেজানা পৱার পায়রিঙৈ কুমজা ২০০৫ দগী কুমজা ২০১৩ ফাওবগী মনুংদা ইরাননা মসিগী ন্যুক্লিয়র এক্তিভিটিশিংগা মরী লৈননা মান্নবা অথিংবশিং মায়োক্লখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্ন া প্রসিদেন্ট ওইবগী লোইশিল্লকপা চহী খরদুদা থাওগী মমল চাংচত্তা বেরেল অমদা দোল্লর ১০০ গী মথক্তা কা হেন্না ৱাংখিবদগী মহাক্কী লৈঙাক অদু শেল-থুমগী অৱাবা লৈরমগদবদগী কনবা ঙমখি।

ইরানিয়ন ওইল মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তারদুনা হায়, মমাঙদা অথিংবা কয়া লৈখিবা মতমদা মিনিষ্ট্রি অসিনা থাওগী রেভিন্যুশিংগা মরী লৈনবা প্রোব্লেমশিং লাকহন্দনবা অঙম্বা মখৈ হোৎনখি। অথিংবশিং অমসুং ইরানগী মায়োক্তা চত্থরিবা ইকনমিক ৱারনা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লবসু মিনিষ্ট্রি ওফ ওইলনা মমাঙদা ওইল রেভিন্যুশিং হুখিবদগী লাকহনখিবা শেল-থুমগী অৱাবা ফিভম অদু অমুক হন্না থোকহন্দনবা অরৈবা পাম্বৈ খুদিংমক শীজিন্নখি। হৌজিক থল্লিবা য়ু এসকী অথিংবশিং অদুনা চাইনা, ইন্দিয়া, সাউথ কোরিয়া অমসুং জপান য়াওনা লৈবাক নিপানদি শোকহন্দে। তৌইগুম্বসুং মখোয়না ইরানগী থাও লৈবদগী লৈবাক অসিদা চৎখিগদবা রেভিন্যুশিং এস্ক্রো একাওন্ট অমদা চঙহনগদবনি।

# কিম জোং উনগী পোকমিন্নদবা ময়াম্বা হাৎপগী মরাল শিখ্রবী নুপী অমা কোর্টনা থাদোকখ্রে

জাকার্টা, মর্চ ১১(এজেন্সি):

নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উনগী পোকমিন্নদবা (মমা তিন্নদবা) ময়াম্বা কিম জোং-নাম হাৎপগী মরাল শীখ্রবী ইন্দোসেনিয়াগী নুপী অমা কোর্টনা মহাক্কী মরাল মখা তানা খন্নবা তোক্তুনা (দ্রোপ তৌদুনা) থাদোকখ্রে।

সিটি আইস্যা কৌবী ইন্দোনেসিয়াগী নুপী অদু হৌখিবা কুমজা ২০১৭ তা মালেসিয়াগী কুলা লম্পুর এয়রপোর্টতা কিম জোং-নামগী মমায়দা খুদোংথিনিঙাই ওইরবা ভি এক্স নার্ভ এজেন্ট তৈশিনখিবা মীশক্নি হায়না মরাল শিখিবনি।

অমরোমদা মহাক অমসুং মহাক্না মান্ননা মরাল শীরিবা ভিয়েটনামিজ নুপী দুওন থি হোংনদি মখোয়দা শীরিবা মী হাৎপগী মরাল অদু য়াদবগা লোয়ননা নুমিত্তুদা মখোয় টি ভি প্রোঙ্ক অমদা এক্ট তৌখিবনি হায়না খনবদগী থৌওং অদু চত্থখিবনি হায়না ফোঙদোকখি। ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট অমদা চত্থখিবা শাথিরবা মীহাৎ অদুনা মালেমগী ওবর্জাবর কয়া ঙকহনখি অমসুং মালেমগী পাউচেশিংগী হেদ লাইন ওইনখি।

থা কয়ামরুম পন্দুনা লৈরুরবা মতুংদা ৱায়েল অদুগী দিফেন্স ফেজ অদু ভেটনামিজ নুপী হোংগী ৱারোল তারগা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী হৌনবা লেপখিবনি। অদুমওইনমক কেস অদুগী প্রোসিক্যুটরনা সিটি আইস্যাদা শীরিবা মী হাৎপগী মরাল অদু মরম অমত্তা পীদনা মখা তানা খন্নবিদনবা কোর্টতা হায়জখি। ইন্দোনেসিয়াগী লো মিনিষ্টরদা ইবা লেটর অমদা মালেসিয়াগী এটোর্নি জেনরেলনা ৱারেপ অদু জাকার্টানা কেস অদুগী মতাংদা পুখৎলকখিবা ৱাফমশিং অমদি লৈবাক অনীগী মরক্তা অফবা মরী লৈরিবদু খন্নরগা



লৌখিবনি হায়না এক্সপ্লেন্ট তৌখি। প্রোসিক্যুটরগী ৱাফম অদু তারবা মতুংদা জজনা সিটি আইস্যা থাদোক্লে হায়না ৱারেপ তাখি।

তৌইগুম্বসুং ৱারেপ অদু নুপী অদুদা শিরিবা মরাল কোকপিবগী ৱাফমদি নত্তে হায়রি। করিগুম্বা কনভিক্ট তৌবা তারবদি ইন্দোনেসিয়ন নুপী অদু শিবগী চৈরাক ফংলম্বা য়াবনি। কোর্টনা মহাকপু থাদোকখ্রবা মতুংদা আইস্যানা ন্যুজ এজেন্সি অমদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক হৌজিক নুংঙাইরে, অসিগুম্বা ৱারেপ অমা কোর্টনা পীরক্কনি হায়বসি মহাক্না থাজরমদবনি হায়খি।

কুলা লম্পুরগী কোর্ট অদুদা লৈরিবা বি বি সীগী করেস্পোন্দেন্ট জোনাথন হেদনা হায়, ইন্দোনেসিয়ন নুপী অদুগী মায়োক্তা লৈরিবা ইভিদেন্স অদু মহাক্না লোয়ননা মরাল শিরিবা ভেটনামিজ নুপী অদুগী মায়োক্তা লৈরিবা ইভিদেন্স অদুদগী হন্থবগী মওং মাল্লি। অহানবদা ভেটনামিজ নুপী হুৱাংনা কোর্ট অদুদা ষ্টেটমেন্ট অমা পীবা য়াবগী ফিভম লৈখি। মদু এক্যুজ অনীমক্কী মরক্তগী কোর্টতা পীবা অহানবা ৱারোল ওইগদৌরিবনি। অদুম ওইনমক মহাক্কী উকিলশিংনা হায়জরকপদগী হৌজিক্তি মহাক্কী কেস অদু কোর্টনা মতম য়ৈথোকখ্রে। নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উনগী পোকমিন্নদবা ময়াম্বা কিম জোং-নামনা হৌখিবা কুমজা ২০১৭গী ফেব্রুৱারি ১৩ দা মকাওদা পাইনবগীদমক্তা কুলা লম্পুর এয়রপোর্টতা ফ্লাইট অমা ঙাইরিঙৈদা এক্যুজ নুপী অনীদুনা দিপাচর এরিয়াদা মহাক্কী মনাক্তা চঙশিনখিবনি।

# ইথিওপিয়া এয়রলাইন্সকী কায়খিবা প্লেনগী ব্লেক বোক্স ইনভেষ্টিগেটশিংনা ফংবা ঙমখ্রে



অদিস অবাবা, মর্চ ১১(এজেন্সি):

ইথিওপিয়াগী কেপিটেল অদ্দিস অবাবাদগী কেনিয়াগী কেপিটেল নাইরোবি তম্না পাইবদা লমখাংদা কায়খিবা বোইং ৭৩৭ এম এ এক্স-৮ এয়রক্রাফ অদুগী ব্লেক বোক্স অমা ইনভেষ্টিগেটশিংনা ফংলে হায়না ষ্টেট মিদিয়া রিপোর্টনা হায়রি।

শীজিন্নবা থা খরদমক ঙাইরিবা এয়রক্রাফ অদু হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা অদ্দিস অবাবাগী এয়রপোর্টতগী পাইখৎখিবা মতুং মিনিট ৬ কান্নরগা লোকেল মতমদা পুং ০৮.৪৪ (জি এম টি ০৫.৪৪) তাবা মতমদা পোকখায়খিবনি। থৌদোক অদুদা ক্রু মেম্বরশিং য়াওনা ফ্লাইট অদুদা তোংখিবা মীওই ১৫৭ মক শিখি। হৌজিক্কী ওইনদি লাইবক থিরবা থৌদোক অদু করি মরমদগী থোকখিবগে হায়বগী ৱারোইশিন পীবা মতম ঙনমল্লি হায়না এক্সপার্ট-শিংনা চেকশিন ৱা ফোঙদোকখ্রে।

ইথিওপিয়াগী ষ্টেট টেলিভিজন নোটৱাক্কী মতুং ইন্না প্লেন কায়-ফমদগী ফংখিবা ব্লেক বোক্স অদু প্লেন অদুগী কোকপিট ভোইস রেকোর্দরনি। এয়রক্রাফ অদু কেপিটেল অদ্দিস অবাবাগী খা নোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ৬০ রোম লাপ্না লৈবা বিসোপ টু টাওনগী মনাক্তা কায়খিবনি। ফ্লাইট অদুদা কেনিয়নশিং অমসুং বৃটিশ মচাশিং য়াওনা নেসনেলিটি ৩০ হেন্না তোংখি।

ব্লেক বোক্স হায়না খঙনরিবা দিজিটেল ফ্লাইট দেতা রেকোর্দরনা এয়রক্রাফ অদুগী সেন্সরশিংগী অকুপ্পাশিং রোকোর্দ তৌই। কোকপিট ভোইস রেকোর্দর দেতানা প্লেন অদু কায়খিবগী মতাংদা মখা তাবা লংলা-লংজিন কয়া পী।

চৈরকসিদা ইথিওপিয়ন এয়রলাইনসিগী প্লেন কায়খিবা অসিনা মরম ওইরগা চাইনা অমসুং ইন্দোনেসিয়ানা ক্রাস অদুদা চেন্নবা এয়রক্রাফকী মোদেল ওইরিবা বোইং ৭৩৭ এম এ এক্স-৮ প্লেনশিং মতম খরগী ওইনা শীজিন্নবা লেপ্পবা ৱারেপ লৌখে। প্লেন অদুদা তোংখিবা মীওই কয়া এইদ ৱার্করশিং ওইখি। হৌজিক ফাওবদা মশক খঙদোক্লবা মীওইশিং অদু তোঙান তোঙানবা লৈবাক ২৪ হেনবদগীনি হায়রি।

ঙরাং কায়খিবা প্লেন অদু হৌখিবা ওক্টোবরদা কায়খিবা ইন্দোনে-সিয়াগী প্লেন অদুগা মোদেল মান্নে। ইন্দোনেসিয়াগী লাইওন এয়র ফ্লাইটনা ওপরেট তৌবা ৭৩৭ এম এ এক্স-৮ প্লেন অমা ঈশিংদা তাশিন্দুনা কায়খি অমসুং প্লেন অদুদা তোংখিবা মীওই পুম্নমক শিখি। সিভিল এভিয়েসন এদমিনিষ্ট্রেসন ওফ চাইনা (সী এ এ সী)গী ষ্টেটমেন্ট অমনা মসিগী ৱেভসাইটদা হায়, ক্রাস নংলিবা বোইংগী মোদেল অসিবু সার্ভিসতা শীজিন্নদন্নবা ৱারেপ লৌখিবসি মখা তানা এক্সিদেন্ট কয়া থোক্লকপা য়াই হায়বগী চিংনবদা য়ুমফম ওইরগনি।


**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG**

*Ref:- Mutation Case No. 166 of 2019*

1) Ningthoujam Brajamuhon Singh of (L) Ibomcha Singh of Pangantabi
2) N. Sharat SinghS/o (L) -do- of -do- -Applicant

V/S

(Late) Ningthoujam Ibomcha Singh S/o (L) Merajao Singh of Pangantabi -Opp.

**/NOTICE**

Dated 07th March 2019

Under section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৮৮ নুঙু ৱাপোকপী, পাট্টা নং ৪৪৬, দাগ নং ৩০২১ এরিয়া ২.৫৪ একর চাউবা অঙনফৌ লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরে হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

HL-P/6047/12 **Sd/- Sub-Deputy Collector, Waikhong**



**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG**

*Ref:- Mutation Case No. 165 of 2019*

Thingbaijam Sangita Devi W/o Th. Kuluba Singh of Sugnu Awang Leikai -Applicant

Vrs

(Late) Khaidem Gouramani Singh S/o (L) Khamba Singh of Sugnu -O.P.

**/NOTICE**

Waikhong the 7th March 2019

Under section 86 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা শ্রীখাইদেম গৌরমনি সিংহ পীং মৃ: খম্বা সিংহ সাং শুগুনু পাট্টা নং ১৭৩, দাগ নং ১১০৫, এরিয়া ০.৯০ একর চাউবা ফৌরেল অসি দংকারিগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অয়ূক্কী পুং ১০ তাবা মতমদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। মতুংদা লকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

HL-P/6047/12 **Sd/- Sub-Deputy Collector, Waikhong**



**/ থবক্কী পাউ**

মশাগী চহী ৫৫ শুদ্রিবা য়ুমগী থবক ইনখাং শূনবা নুপী খরা কৌজরি। হঙৎ-হন্দা অমদি লৈবগী খুদোংচাবা পীগনি। অদুগা নুপাশিংগীসু সেক্যুরিটি গার্দ, কুক, দ্রাইভর, চৌকিদার, মাল্লিনচিংবা কৌজরি। থাগী তোলোপ মতিক চানা পীগনি অমদি পেন্সন লৈগনি।

*Please Contact : 7638926139/7085943203*
**Smart Security Service (SSS)**
**Tera Bazar Opposite Indian Oil Pump**

HL-P/6045/12,13



**/ খঙহঞ্জবা**

**Young Girls Helping Association Thoubal Manipur, Thoubal Melaground,** কৌবা ওর্গনাইজেসন অমা নৌনা শেমদুনা **Manipur Societies Registration Act, 1989** গী মখাদা রেজিষ্টর তৌজরগনি। হায়রিবা অসিদা কনাগুম্বনা য়াওবীনীংবা অমদি য়েৎপীনীংবা লৈরবদি মখাদা সহি তৌজরিবা অমদি **Deputy Registrar of Societies, Thoubal** দা লাক্লিবা তাং ২৬/৩/২০১৯ ইং ফাওবগী মনুংদা পাউ ফাওবীরকউ। মখা তাবা ৱাকৎ অমত্তা লৌজরোই।

HL-P/5279/12 *Sd/- Olivia Laikhuram, Secretary*



**/KINGDOM**
**SPOKEN ENGLISH & COMPUTER CENTRE**

**Special Class for X, XI, XII Appeared Students**

***English Course + Free 1month Computer Course***

***SPOKEN HINDI Class Available***

***Computer Courses* - DCA, CCC, C/C++, DTP, Tally GST, CCP, HTML, etc.**

**Sunday Spoken English Class only for Class V-IX**

- Features : Grammar, Vocabulary, pronounciation, Daily Conversion, Personality Development etc.
- Computer Courses : DCA, CCC, CCP, C/C++, DTP, Tally GST, HTML, Programmings etc.

**Instructor - SIR NAOBI LOITONGBAM**

***Venue : Global Spoken English & DOT Com Computer***
***Opp. G.P. Women's College, Old Lambulane***

HL-B/5280/12 ☎ 7005622203, 7005665814